ৱাঙু সন্দংখোংগী লিতান থোং শেমজিনখ্রে

ককচিং, মে ০৮ (ঐচএনএস):

সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদি কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনীগী মীয়ামগী য়াম্না মরু ওইরবা মণিপুর তুরেলগী মথক্তা লৈরিবা ৱাঙু সন্দংখোংগী লিতান থোং (সস্পেন্সন ব্রিদজ) ফিভম থিনা শোকপদগী মতম কুইনা মীয়াম্না চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লৈরম্বশিং কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা বোরয়াংবি গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান টিঐচ বিনোকুমারি অমদি সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান এল শরত এলিয়জ তোনা অনীনা ঙসি লন্নাই শেল পুথোক্লদুনা মফম অদুগী ক্লবশিংগা লোয়ননা শেমজিনখ্রে।

থোং অসি মতম শাংনা ফিভম শোকপদগী উপাকশিংগী শরুকশিং য়াওনা থোং শেমজিনবা অদুদা মপূং ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা ক্লবশিং এলেভেন ষ্টার য়ুঠ ক্লব, সন্দংখোং ময়ায় লৈকায়, স্কাই ক্লব সন্দংখোং খোংখা অমদি সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগীমনুংদা লৈবা ৱাঙু সন্দংখোং সোসল ৱেলফেয়র য়ুঠ ক্লবশিং অসিগী থৌমীশিংনা ঙরাংদগী হৌনা থোং অসি শেমজিল্লকখিবনি।

থোং শেমজিনবা অদুদা প্রধান এল শরত অমদি বোরায়াংবি জি/পিগী প্রধাণগী নোমিনি টিঐচ রোমেসসু লাক্তুনা য়েংশিনখিবা অদুদা এস এস দল্লিয়ু ৱাই সীগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি য়ূম্নাম জয়েন্তনা থোং অসি মতম কুইরবা ওইবনা উপাকশিং অয়াম্বা য়াওরক্তবতা নত্তনা য়োৎশিংসু তৎশিল্লক্তুনা অসুক্কী মতীক ফিভম শোকচিল্লকপদগী মতম কুইনা মীয়াম্না লল্লোন-ইতিক তৌবা, লৌউ-শিংউবা, অনা-অয়েক কয়া য়াওরকপনচিংবদা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা থেংনরম্বশিংসুদু কোক্লগনি হায়রদুনা প্রধান অনীবু ক্লবশিং অমদি প্রজা মীয়াম্না তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

এলেভেন ষ্টার য়ুঠ ক্লবকী এদভাইজর থোঙম তোম্বনসু লিতান থোং অসিগী ৱায়র লোপ পুরিবা পিল্লর কায়শিল্লকপনা ওটো য়াওনা চাকা মরি পানবা গাড়ীশিং চৎপদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবগী থাক্তা লৈরবনা গাড়ীশিং থোং অসি লানবীরগনু হায়রদুনা প্রধান অনীবু মীয়ামগী লুচিংবা ওইবদা য়াম্না মতিক চাই হায়রদুনা থাগৎপা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

লৈঙাক্লা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু: ইপাক

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা হান্নগা মান্নদবা মওংদা ইন্দিয়াদা ফিভম শোকচিল্লকপগা লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাকতসু চীং অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদা মীওই কয়া কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইরগা অনাবা পোজিটিভ ওইবা মশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা অসি থিংনবা লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা হেন্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ইন্দিজিনস পীপললস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)কী সেক্রেটরি জেনরেল লৈশাংথেম রোমেন মীতৈনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরৈচা কয়ানা এস ও পি ঙাক্তুনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী অকিবগী মশক ওইরবা লাইচৎ অসি থিংনবা হোৎনমিন্নসি। শেঞ্জাও পায়বা লন্নাই বিজিনেস তৌবা মীওই খরগী ইন্টরেষ্টতা মার্কেট ফংনবা অমদি জি দি পি গ্রোথ কন্টেক্টকীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মায় ওনশিনখিবা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ষ্টেট খরগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমসুং পঞ্চায়তকী ইলেক্সন পাঙথোকপদা এস ও পি নীংথিনা ঙাকখিদবা, ভেক্সিন পুথোক্লে হায়দুনা লৈঙাক্লা কোমথোকখিবা, প্রাইভেট ইন্সটিট্যুটশিংগী এদমিসন তৌনবা অমদি ফী খোমগৎনবা স্কুল অমদি কোলেজ কাহল্লুবা ময়ামশিং অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসি শন্দোকপদা মতেং পাংখিবনি হায়না ইপাকনা লৌই।

অসুম্না মীয়ামগী পুন্সিবু ফাগি ওইনা লৌখিবা অসি লাইবক থিবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফনবা লোকদাওন অমদি কর্ফিয়ু মনুংসিদা পোৎ-চৈগী মমল ৱাংকৎলকপা অসি থিংনবসু হোৎনগদবনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অমদি লোকদাওননা শোকহল্লবা মীয়ামদা পীবা য়াবা রিলীফ মতেংশিং লৈঙাক্লা পীনবা ইপাকনা থল্লক্লি।

হোস্পিটালশিংগী দোক্টর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংবুসু লৈঙাক্লা পূক্নিং থৌগৎপীদুনা কোভিদ-১৯গী অনা-লায়েংদা মথৌ পাঙথোক্লবা অমদি হোস্পিটালগী অৱাৎপশিং নীংথিনা ফগৎহন্নবা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবীনবা ইপাকনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

অমরোমদা, হৌখিবা থাসিগী ৩দা জেনিমসতা কোভিদ-১৯ ৱার্দতা লৈখিদ্রবা মীওই অমা ইমুং মনুংগী খঙহল্লমদনা লোন্না পোলোইথোক্লম্বা অসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক্লি। জেনিমসতা ওথোরিটিনা চেকশিন্দবগী মমি চাওনা তাবগা লোয়ননা রেকোর্দ নীংথিনা মেন্টেন তৌদবগী মমি চাওনা তারে। কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা ইমুং মনুংনা পোলোইনবা মরী লৈনবশিংদগী পর্মিট ফংলবফাওবা পোলোইবা ফংহনখিদবা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈননা হৈকৎ লৈকৎ তম্নবগী খুদোংচাবা পীখিদবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রি।

কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রবশিং লাইনিং লাইশোনগা লোয়ননা মথৌ মঙম পাঙথোক্তুনা পোলোইবা হায়বসি তৌদবা লৈবাক অমত্তসু লৈতে। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোক্তনবা জেনিমসকী ওথোরিটিনা চেকশিন্না হোৎনবীয়ু। লৈখিদ্রবা মীওই অসি হকচাং করম্না ইমুং মনুং খঙহন্দনা লোন্না পুথোক্তুনা পোলোইথোকখিবা হায়বসি অচৌবা ক্রাইম অমা চথবনি। মথৌ নীংথিনা তৌরিবা দোক্তরশিং অমদি ষ্টাফশিং তুংদা মিংচৎ থিদনবা হোৎনবীয়ু। হীরমসিগী মতাংদা জেনিমসকী দিরেক্টরনসু দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি তৌদুনা এক্সন লৌগদবনি। মরী লৈনবা পুলিসনসু সু মোতোগী কেস অমা লৌখৎতুনা করম্না থোকখিবনো, করম্না ভেরিফায়দ তৌদনা দেথ বোদি আই এম সীগী ক্রিমিটোরিয়মদা পোলোইখিবনো থীদোক্তুনা চেন্নবশিং এক্সন লৌখৎদবনি হায়রি।

অরোইবদা, মমাঙ থাগী ৩০দা লাইবক থিবা এক্সিদেন্ট অমদা শোকখিবা মরামদগীপি মসাইয়ি মাও কৌবা নহা অমা মণিপুরগী মমিং লৈরবা প্রাইভেট হোস্পিটাল শিজ হোস্পিটাল, রাজ মেদিসিটি, লিট্ল ক্লিনিক লোয়ননা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল রিমস অমদি জেনিমসতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওই হায়দুনা নীংথিনা লায়েংবিখিদবনা মরম ওইরগা পুন্সি লোইখিবা অসিগুম্বা থৌদোক অসিসু ইপাকনা নুংঙাইতবা ফাওই। মসিদা চেন্নবশিং লৈঙাক্লা এক্সন লৌখত্তুনা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোক্তনবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা দোক্তরশিংনা য়ারিমখৈ প্রোফেসনল ইথিক্স ঙাক্লা মথৌ পাঙথোকপীনবা ইপাকনা আপীল তৌরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

থা অসিগী ৫দা মুতুম নিল্লচন্দ্র সিংহ পাৎশোই পার্ট-৩দা লৈবনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা পাময়াল ক্লব পাৎশোই পার্ট-টুগী মেম্বরশিংনা মিনিট ৩ তূমীন্না লৈদুনা ঙসি ক্লব অসিদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মুতুম নিল্লচন্দ্র সিংহ ক্লব অসিগী ফুটবোলগী শান্নরোয় অমা ওইরম্বদা নত্তনা ক্লব অসিগী ফুটবোলবু লমদিং মায়কৈ অসিগী ফুটবোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই অমনি। মহাক্লা লৈখিদ লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়না পাৎশোই মখা য়াইফ লুপ (পাময়ালগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম হেরোজিৎ সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ঈশিং ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ সুরজকুমার ওক্রমনা কন্না হোৎনদুনা মতম কুইনা মথৌ তৌদনা লৈরকখিবা সঙ্গাইয়ূম্ফম ইদিগাহ ৱাটর সপ্লায় নৌহৌননা শেমজিন্দুনা ঙসিদগী ৱাটর সপ্লায় স্কিম অসিনা কোনবা পাইপ লাইনশিংদা লাক্কদৌরিবা ইদুল ফিটরগা মরী লৈননা থক্লবা ঈশিং ফংহনবা হৌখ্রে। এম এল এ সুরজকুমারবু ঈশিং ফংহনবীবগীদমক লমদম অদুগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

বি জে পি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মেম্বরসু ওইরিবা কোভিদ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাক্স ফোর্স লন্নাই মন্দলগী চ্যেরমেন খোংবান্তবম ইবোমচানা লন্নাই এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা লৌশাংখোং মখা লৈকায়দা লৈবা ইমুং ১০দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে।

ঙসিগী তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুদা টাক্স ফোর্সকী কনভিনর ই অমিতকুমার, পুংদোংবম জি পিগী হান্নগী প্রধান আই প্রেমসু শরুক য়াখি।

‘অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি’

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

হৌজিক লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অকিবা ফংনা হেনগৎলক্লিবা অসিদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাং ওইনা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৈকায় লৈকায়দসু মায়কৈ লমদম অদুগী লোকল ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিএসন অমদি মৈরা পায়বী লুপশিংনা অকনবা চেকিনি থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

কেক্রু আইদিএল প্রোগ্রেসিভল কম্মিটি (কে আই পি সী), কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক (কে ৱাই সী ৱাই), কেক্রু দিভলপমেন্ট য়ুঠ ক্লব (কেদিৱাইসী) অমসুং কেক্রু অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ্পা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অসি য়েংলগা খুল অসিদা মীতোপ চঙবা থিংলে অদুমকপু লৈঙাক্লা পীরিবা অয়াবশিং অদুদি ঙাক্লা চৎকনি হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোরক্লি।

কে আই পি সীগী সেক্রেটরি এল সোমোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি কেক্রু খুলগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বী য়াওনা টেলিফোনিক কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা মথক্কী ৱারেপশিং অসি লৌখিবনি।

করিগুম্বা খুল অসিদা চঙলক্কে হায়রবসু হান্না মাঙজৈননা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংদগী অয়াবা লৌগদবনি। কেক্রু খুলগী মীওইশিংসু তঙায় ফদবা অমদি লৈঙাক পায়বা য়াবা মীওইশিং নত্তনা য়ূম য়ূমদগী থোকহন্দবা, খুলগী দুকানশিং অমসুং পোৎফম ফম্বশিং থোঙ লোলহনবা, করিগুম্বা হাংলম্বা তারবদি পুলিসতা অইবা চেরোল পীদুনা ফাহনবা অমদি শান্নবুংসু খুদক্তগী থিংজিল্লে হায়বা ৱারেপশিংসু লৌখি হায়রি।

অমরোমদা, খোইরোম খুঙ্গংশিংদা মীতোপ চঙবা য়াররোই, চঙলক্কে হায়রবসু ক্লবতগী হান্না অয়াবা লৌগদবনি। লৈকায় লৈকায়দা শান্নরিবা মরুপ অমদি মাইক্রো ফাইনান্সনচিংবা অমত্তা খোন্বনচিংবা লায়নাসিনা ফিভম খরা শাফদ্রিফাওবদি খোন্বা লেপ্পীয়ু। অদুগা খুঙ্গংশিংদা মখল অমত্তগী নিষা য়োনবা য়ারোই। মরম চাদনা দুকানশিং হাংবা য়ারোই। তঙায় ফদনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী দুকানশিং লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা হাংবা য়াগনি।

করিগুম্বা ৱাফমশিং অসি ঙাক্লমদবা থোক্লবদি ৱাই দি সি, ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীনা পুলিসতা তাক্কনি হায়দুনা ৱাই দি সী খোইরোমগী জেনরেল সেক্রেটরি সাইখোম জয় মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে শেলগী মতেংসু পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

হন্দক অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখলদা দ্যুটি চৎখিবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী গুৱাহাটিদা মনুং মতম চাদনা লৈখিদ্রবা ৬ শুবা এম আরগী জমান্দার ৱাইখোম রোনাল্ড সিংহগী মফমদা কুমজা ২০১৫গী এস আই/জমান্দার বেটচনা লৈখিদ্রবা রোনাল্ডগী য়ূমদা চত্তুনা ইমুং মনুংগী অৱাবদা নুংঙাইতবা শরুক য়াখ্রে অমদি অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লোয়ননা লৈখিদ্রবা রোনাল্ডগী মফমদসু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা ২০১৫গী এস আই অমসুং জমান্দর বেটচতনা লুপা ২,৫০,০০০ ইমুং মনুংদা খূৎশিন্নখি।

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ককচিংদা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকপা হৌখ্রে

ককচিং, মে ০৮ (ঐচএনএস):

ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা বি জে পি ককচিং মন্দলগা খূৎশম্নদুনা ককচিং কৈথেল, কৈথেল মচা, ককচিং লমখায় কৈথেল, ককচিং মনুংদা হাংলিবা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)শিং, কম্ম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর, ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি জিবন হোস্পিটালগী অকোয়বদা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯)দগী ঙাকথোক্নবা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকপগী থবক চথখ্রে।

এম এল এ রামেশ্বর মশামক য়াওদুনা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকপগী মতাংদা এম এল এনা হায়, মালেমগী মফম কয়াদা পাক-শন্না শন্দোরক্লিবা, মীপাইনিংঙাই ওইবা লাইচৎ, কোরোনা ভাইরস (কোভিদ-১৯)না মণিপুরদা মীওই কয়া নাহনখিবগা লোয়ননা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওহনখ্রে। কোরোনা ভাইরসকী অনীশুবা ৱেভ অসিনা ককচিং অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পাক-শন্না শন্দোরক্লিবা অসিদা থিংবা ঙম্নবা মণিপুরগী সী এমনসু থবক কয়া পায়খৎপীরি। লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা ঐখোয় খূদিংমক্না মতেং পাংশিন্দুনা লাইচৎ অসি থিংননবা হোৎনমিন্নসি। লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট খরদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা ঐখোয় খূদিংমকসু মতেং পাংশিন্দুনা ৱারবসু ৱানা পূন্না অৱাবা খাংমিন্নদুনা লাইচৎ অসি শন্দোকপা থিংমিন্নসি ফোঙদোকখি।

সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকপা অদুগা মরী লৈননা জিবন হোস্পিটাল ককচিংগী মেনেজিং দিরেক্টর দা. য়েংখোম অশোক কুমারনা হায়, ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর মশামক্লা শরুক য়াদুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পায়খৎলক্লিবা থৌদাং অসি দোক্টর অমা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। জিবন হোস্পিটালনসু কোভিদ-১৯ থেংনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি, মখা তানসু লৌখিগনি।

জিবন হোস্পিটালনসু মসিদা কোভিদ-১৯গী আইসোলেসন ৱার্দ থমদুনা লায়েং কন্না চথরি। ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা ওক্সিজেন ফংনদবগী অৱাবা অসি ককচিং লমদম অসিদদি থোক্তনবা মহাক্কী মায়কৈদগীসু কন্না হোৎনরি। হোস্পিটাল অসিগী ওইনা ওক্সিজেন জেনরেটর লৈজে। মসিদা দি টাইম সিলিন্দর ৮দগী ১০ ফাওবা পুথোকচরি। মসিগীসু মথক্তা বিষ্ণুপুরদগী লন্নাইগী ফার্মদগী পাউ ফাওনদুনা ওক্সিজেন অনাবশিংদা ৱাৎতনবা হোৎনরি। ককচিংগী এম এল এনসু মতেং কয়া পাংবীরি। কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা হোস্পিটাল অসিনসু মীয়ামগী থৌগল তৌজরি। করিগুম্বা মতমদা অনাবশিংবু থৌগল তৌজরিবা হোস্পিটালবু সোসল মিদিয়ানচিংবদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোকপা তৌবীগনু। হোস্পিটালনা হোৎনরিবা খরা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীদুনা কোভিদ-১৯ মুত্থৎনবা হোৎনবদা তেংবাংবীয়ু ফোঙদোকখি।

লাই খুরুম্বা, উ চারা থাবগী খোঙচৎ য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

হয়েং অয়ূক পুং ৮ তাবদগী হৌদুনা কুম্বী ইবুধৌ সম্বোং খুভম লাইফমলেন্দা কুম্বী কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে দি সী) অমদি মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না পূন্না শীন্দুনা খোঙশানগদবা মীয়াম য়াওনা লাই খুরুমজবা উ-চারা থাবগী খোঙচৎ অদু অনীশুবা কোভিদ-১৯ ৱেভনা নোংমা নোংমগী ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা হায়রিবা খোঙচৎ অদু য়ৈথোকচরে। কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা হেক শাফরকপগা খোঙচৎ অসি পাঙথোকচগনি। মীয়াম্না নিংহনবীদনা শেম শাদুনা লৈবীনবসু চেরোল অসিদা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, কুম্বী ইবুধৌ সম্বোং কুম্বীদগী হৌরগা সাইতোন ফাওরগা ফাওবাকচাও ইখাই ফাওবদা কিলোমিটর তরেৎলোম শাংবা লম্বী অসি হায়নিংঙাই লৈতনা শাথিনা ফিভম শোক্লবা ফৎত্রবা লম্বী ওইরে। নোং খজিক্তং তাবদা লম্বী অসিদা ঙা য়োকপা য়াবগী থাক্তা লৈরে। ২৯-কুম্বী এ সীদা এম এল এ লৈত্রবা হায়বদি দিসক্বালিফায়দ তৌথিদুনা অমদি সুপ্রিম কোর্টনসু রিজর্ভ থম্বীখিবনা লাইবক থিবা, মপী-মপা লৈত্রবা মপু পান্দ্রবা এ সী হায়বদু ওইদুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী মীয়াম্না লল্লোন ইতিক্কী অমত্তা ঙাইরবা য়াম্না মরু ওইরিবা লম্বী অসিবু ঙসিগী লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর, ৱর্ক্স মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙগী মীওইশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং থম্বীদুনা/য়েংশিনবীদুনা শেম্নীনবা কে কে দি সী কুম্বী মীয়ামগী মায়কৈদগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।

মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি অনোকশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

থৌবাল কৈথেলদা লৈবা ইতিন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরনা কোভিদ লায়না লান্থেংনরিবা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌরিবশিংদা ঙসিসু মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, আই সেফ গার্দ গ্গলস অমদ চান-থক্লবা কয়া কোয়না চত্তুনা য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি শারবা নুংশা মরক্তা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনল অমদি ট্রাফিক পুলিস পর্সনলশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা কংলা গেট, ইমা কৈথেল, সিটি কনভেন্সন, এম জি এভেন্যু, এসেমব্লি রোদ, খুরাই লল্লোং বজার, হাপ্তা গোলাপতি, মীনুথোং, থামৈবন্দ, ক্বাকৈথেল বজার, শিংজমৈ বজার, লিলোং বজার, রিমস গেটনচিংবা মফমশিংদা পূন্না পর্সনল ২০০ রোমদা মতেং পাংখিবনি।

আই ক্যের সেন্টর অদুগী মপু ইতিন মাইবমনা ফোঙদোরকখিবদা, ঐখোয় পুম্নমক্না লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি অমদি গাইদলাইন ঙাক্লা চৎলসি অমদি লুরবা লাইচৎ অসিদা মীয়াম্বু ঙাক-শেল্লিবা পুলিস পর্সনলশিংবু থৌনা হাপ্পীদুনা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। লোয়ননা লৈঙাক্লসু কর্ফিয়ু লোকদাওননা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্নরিবা ইরমদমসিগী মীয়াম্বু খরদং ওইরবসু অঙম্বা চান থক্লবা পোৎলম কয়া পীবিনবা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা মীয়াম্নসু চেকশিন্না লৈনবা হায়না ইকোক নোন্না আই ক্যের সেন্টর অসিগী মায়কৈদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা য়ুথ ফোর টুমোরোগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

হুই হুরান্দুনা চাথোক্লম্লে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস):

মণিপুর ইরমদমসিদা য়াম্না তোয়না থোকপা ৱাথোক অমা ওইরিবা য়ূমদা নুংশিনা য়োক-থাকচবা হুইশিংবু হাংপা-চাবা য়েন্নিং এনিমেল ফাওনে দসন্না লিশাং শীৎনা অথিংবা থম্বা য়াওনা পি আই এলনচিংবা থাদুনা চথরিঙৈ চৈরকসিদা সলুংফম ময়ায় লৈকায়দগী সরাংথেম সুরধানি দেবী মপুরোয়বা এস সনাজাওবা সিংহনা হুই হুরান্দুনা পুবীখ্রে।

পুখিবা মীশক খঙই, ফংননবা অমুক্তা মতেং পাংবীনবা হেল্পলাইন নম্বরদা পাউ পীরকপদগী ৱাই এ এফকী ইগজেক্যুটিভ মেম্বর কেএসএঐচ জোন্সন সিংহনা লুচিংবা টিম অমা চঙশিন্দুনা হুই অদুগী খোঙ্গুল লীখি। অদুবু লাইবক থিবদি হুই অদু হুরান্দুনা পুরিবা সারম চীংদগী সিমোই অওংসি এলিয়জ অমো (৭০) সারম তাঙ্খুলনা হুই অদু হাত্তুনা চাউথোকখ্রে হায়না পাউদমখিবগা লোয়ননা মশাগী মরাল য়াজরবা সিমোল সারম তাংখুলনা মখা তানা অসিগুম্বা থবক অসি অমুক তৌজররোই হায়বা য়াওনা খুল অদুদা মসিগুম্বা থবকশিং তৌদনবসু খুলগী লুচিংবশিংনা ৱারেপ লৌরগনি ফোঙদোকখ্রে।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুথবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূখাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-P/9658/21/4-22/5

ꯊꯥꯒꯠꯄ/কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, কুইনা ফমজিনবা তারগদি অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চানা মরূমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্না হাম্বা, খোঙ হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না য়াওরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, কুইনা ফমজিনবা তারগদি অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কোক ঙাওবা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক চপ তিংখৎপা, পূকচেপ নাবা, পূক শাওগৎপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অমুক হঞ্জিনখিবা, অমুক পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদা অমাংথোঙ ময়াদা চাওনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্না হাম্বা, অমুক্তা মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নিংই হায়না চঙলগা খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, খোঙ হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না য়াওরকপা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-B/6914/9
থাগৎচরিবা : **Ksh. Thoiba Singh,** Lamsang

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-P/9231/15/3-16/4
Contact No. 6009147645/8014023792

ꯊꯥꯒꯠꯄ / PILES কী ওজা ABDUL HAQUE পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং মপালদা চেখায়বা, খোঙ হাম্বা মতমদা শৌজ নাম্থবা, খূৎনা ইনখৎত্রিবা ফাওবা চঙউ য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থজিললোমদা হাইগৎলকপা, অমাংথোংদা হম-হম লাউনা চিক্লগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, ঙকশম মরি নাবা, ফম্বী শোনবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ওজা Abdul Haque, Contact No. : 8794429681, 8014623756 তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু অল্লাহগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি। পুন্সি শাংনা মীয়ামগী থৌগল মতম কুইনা তৌখিনবা মপুদা হায়জরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
থাগৎচরিবা : **Ch. Aruna**
Uripok Mayai Leikai
HL-P/9659/9



ꯊꯥꯒꯠꯄ/ ওজা রিয়াজুদ্দিন, পাইলসকী কবিরাজপু থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।

পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐহাক মতম কুইনা অনাবা খাঙলকখি। খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, অমাংথোঙ চেখায়রগা নাবা, থুপ্পা, শাবা, শৌজ নাম্থুরকপা, খূৎনা ইন্থোক্লিফাওবা চঙউ য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবনি। পূম্নমক অসি ঙসিদি ওজা রিয়াজুদ্দিনগী মনাক্তা চৎতুনা মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু পুন্সি চুপ্পগী কাউজরোই অমদি মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

লায়েংফম :-(1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal. (2) Mayang Imphal (3) Mantripukhri Friends Colony Bylane-3 (4) Moreh Phaicham Veng.
Contact No. : 7085494783, 9856797338
থাগৎচরিবা : **Amla Bibi**
Kakching Khunou
HL-P/9615/8

ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা অহিং তুম্বা য়াদবা, চিকপা ফনবা হিদাক তৈরবসু চারবসু কান্নবা ইফং ফংদবা, অমাংথোংদা চাউনা পোমথোরকপা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা অহিং তুড়্বা য়াদবা, চিকপা ফনবা হিদাক চারবসু তৈরবসু কান্নবা ইফং ফংদবা, অমাংথোংদা চাউনা পোমথোরকপা, অমাংথোংদগী মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমাংথোংদা নুংশিৎ তোয়না তোয়না চৎপা, চাবা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, হকচাংদা হাক্কৎচবা, অমাংথোংদা চাউথোক্লগা নাবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরি নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা, মসলশিং চিকপা নাবা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, চাকখাও শোকপা, থজিল শাওগৎপা, খোঙ-খুৎ শজিং তোয়না হৌরগা করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খুৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)
HL-P/9682/9
থাগৎচরিবা : **L. Naba Meitei** , Koirengei

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ **MAY GOD BLESS LAISHRAM SUDHAKAR FOR YOUR TREATMENT**

SUDHAKAR (SHAMU)

I, undersigned the father of Luckson express my gratitude and grateful for curing of my son who was suffering from stone case during a short period of three (3) weeks. I, further grateful to Laishram Sudhakar (Shamu) S/o well known physician of stone case Laishram Nabakishore (Padma Shri Awardee) of Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I. Imphal for his treatment to such kind of patients. May bless to him in his future venture in treating many patients in the days to come.

Sd/- **S. Robin**
HL-P/9733/7,8,9
M. Ringpam Village Chandel Dist.,
Present Add. Langol Housing Complex